**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 20-11-2024)**

**সিএম (এল) ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি-জিরিবামদা অঙাং অহুম য়াওনা মীওই তরুক হাৎখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবশিং ফানবা ওপরেসন চথুবা হৌরে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-লৈখিদবশিং অদুগী ৱায়েল অথুবা মতমদা পারগনি হায়বগী থাজবা লৈ। খুৎলায় মতিক চানা পায়বা টেরোরিষ্টশিংনা নুমিৎ অদুদা জিরিবামগী বোড়োবেক্রাদা লৈবা রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌরিবা মীওইশিংদা লান্দারকখিবনি। মফম অদুদা লৈরিবা মীওইশিংদা অকি-তুজং ফাওহন্নবা চথরকখিবা থৌওং অদুদা মফম অদুদা লৈরিবা সি.আর.পি.এফ. পার্সোনেলশিংনা মতম চানা খুৎ হন্দুনা কুকি টেরোরিষ্ট ১০ হাৎখি। টেরোরিষ্টশিংনা চথুখিবা থৌওং অদু মীওইবগী মায়োক্তা চথুবা তমথিবা থৌওংনি। থৌওং অদুগী মায়োক্তা জাৎ-বিজাৎ খায়দনা ঐখোয় পুমমকা লৈফম থোকই।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-রাজ্য অসিগী ওইরিবা ফিভম অসিদা কেন্দ্র সরকারনা অহেনবা মীৎয়েং চংবীদুনা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা সেন্ত্রেল আমর্দ পুলিস ফোর্সকী কম্পানি ২০ থাবীরকখ্রে। নৌনা কম্পানি ৫০ অমসু থারকপা হৌরে। পায়খৎলিবা থৌরাংশিং অসিনা রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা হনজিন্নবা অনৌবা লম্বী অমা ওইগনি।

**সিএপিএফ(এল) ঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না হন্দক নৌনা মনিপুরগী ইরাং লাকশিন্ননবা অহেনবা সেন্ত্রেল আমর্দ পুলিস ফোর্স (সি.এ.পি.এফ) কী কম্পানি ৫০ থারক্লগনি হায়না ফোংদোকখ্রবা মতুং ঙরাংদগী হৌনা ইম্ফালদা

সি.এ.পি.এফকী জৱানশিং থুংবা হৌখ্রে।

ঙসিসু ইম্ফাল ইয়ারপোর্টতা ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সকী অখন্নবা মিলিটরি ত্রান্সপোর্ট ইয়ারক্রাফটশিংনা সি.এ.পি.এফকী জৱানশিং থুংলখি। লোয়ননা মখোয়শিং অদুনা মথৌ তৌগদবা মফমশিংদা চৎনবা হৌখ্রে।

অমরোমদা, ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা এম.এল.এ. অমদি মন্ত্রিগী য়ুমশিং, কেন্দ্র সরকারগী ওফিসশিং য়াওনা রাজনিতিগী দলশিংগী ওফিসশিংদা সি.এ.পি.এফ. জৱানশিংনা ঙাক শেনবগী থবকসু কনখৎলক্লি।

**স্কুল (এল)ঃ** মনিপুরদা লৈরিবা স্কুলশিং মখা তানা নুমিৎ হুমনি অমগসু ছুতি থাদোকখ্রে।

এদুকেসন (এস) কী দিরেক্তর-এল. নন্দকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-সরকার, এদেদ, প্রাইভেট অমদি সেন্ত্রেল স্কুলশিং ছুতি ওইগনি।

অমরোমদা, রাজ্যগী হয়র এন্দ টেকিকেল এদ্যুকেসনগী জোইন্ট সেক্রেটরি-দররিয়াল জলি অনালনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-সরকারগী কলেজ, এদেদ কলেজ, হয়র অমসুং টেকিকেল এদুকেসন দিপার্টমেন্টশিং নুমিৎ হুমনি ছুতি ওইগনি।

**ইন্টরনেট (এল)** ঃ রাজ্য অসিগী তম্পাক্কী জিলা মঙা য়াওনা কাংপোকপী অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাগী মফমশিংদা মোবাইল দাটা য়াওনা ইন্টরনেট সার্ভিসতা থল্লম্বা অথিংবা মখা তানা নুমিৎ হুমনি শাংদোকখ্রে।

রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমদা য়ুম্ফম ওইরগা পামদবা থৌদোক থোক্তনবগীদমক রাজ্যগী হোম বিভাগনা অথিংবা অসি মখা তানা শাংদোকবা খঙহল্লকপনি। অথিংবা অসি হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইদগী থল্লকখিবনি।

অমরোমদা, ইন্টরনেট সার্ভিস মখা তানা থিংলবসু ব্রোদবেন সার্ভিসকী

ওইনদি হীরম খরদা কোমথোক্লি।

অদুমওইনমক, ব্রোদবেন্দ সার্ভিস শিজিন্নরিবশিংনা ষ্টেটিক আই.পিগী খুথাংদা কন্নেক্সন লৌবা অমদি রাউটর অমসুং সিষ্টেমদগী সবক্রাইবর অমতনা ৱাই ফাই-হোটস্পোট থাদোকপদি য়ারোই হায়রি।

**কার্ফিয়ু (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট , বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমসুং ককচিংদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী অয়ুক পুং ১০ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি।

**জজ (এল)ঃ** মদ্রাস হায় কোর্টকী জজ-জষ্টিস-দি.কিষ্ণকুমারনা হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী চীফ জষ্টিস ওইরগনি। হৌজিক হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী চীফ জষ্টিস ওইরিবা সিধারদ মিদুলগী মতম হয়েং লোয়বগা লোয়ননা মহাক্কী মহুৎ শিন্নবা জষ্টিস-দি. কিষ্ণকুমারবু হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী চীফ জষ্টিস ওইনবা খল্লকপনি।

**লেন্দস্লাইদ (এল)ঃ** ইম্ফাল-জিরিবাম লন্বী নেসনেল হায়ৱে-৩৭ কী সিনাম অমসুং সিনজাং খুলগী মরক্তা নুঙ দোলানদা চিং ককপদা নুঙ কিন্থরকপদগী লন্বী থিংলম্বা অদু শেংদোকপা লোয়দুনা লন্বী ফাওনরে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমীনা ওফিসিএলশিংগী ৱারোল পল্লদুনা হায়-হৌজিকসু নোং-চিংগী ফিভম ফত্তবনা মখা তানা নুঙ কিন্থরকপা য়াবগী অকিবা লৈরি। মরম অসিনা নুমিদাংদা লন্বী অসিদা চৎপীদনবা লন্বী শেল্লিবা কম্পানিগী ওফিসিএলশিংনা আপিল তৌরি। মরকসিদা, পেসেঞ্জর পুবা অপিকপা গাড়িশিংদা খৌপুম ফাওরগা বিষ্ণুপুরোমদা লন্বী থৈদুনা চৎনরি। ঙসিগী ওইনদি লন্বী অসিদা সেক্যুরিতি কনভোই চৎলরোই হায়রি।

পনবা য়াই, লন্বী পাকথোকহন্নবগীদমক ঙরাং নুমিদাং পুং তরেৎ মখায় অদুৱাইদা বোম পোকখায়হন্দুনা চিং ককপদা নুঙ কিন্থরক্তুনা শিন্মী অমা

লৈখিদে। মহাক্কী হকচাং পোষ্ট মোর্টেম তৌনবা ইম্ফালদা পুরকখ্রে।

**রেল (এল) ঃ** নোর্থ ফ্রন্টিয়ার রেলৱেজগী ইঞ্জিনিয়ার টিম অমা অমসুং রেলৱে প্রোটেক্সন ফোর্সকী কম্মান্দর য়াওবা কাংবু অমনা ঙসি জিরি-খোঙশাং রেল লম্বীগী ফিভম অমুক হন্না য়েংশিনখ্রে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমীনা রেলৱেজগী পাউ পল্লদুনা হায়-হৌখিবা জন্, জলাই থাদা নোং কা হেন্না চুবদগী রেল লম্বী অসিগী মফম কয়াদা নমথবনচিংবা থোকপদগী শেমজিনদুনা লাকপনি। নোর্থ ফ্রন্টিয়ার রেলৱেজগী কাংবু অদু ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা সিলচরদগী দাবা অনি য়াওবা রেলগাড়ি অমদা লাক্লগা রেল লম্বী অদুগী ফিভম য়েংশিল্লম্বনি। হংচিৎ ইরাই নুমিৎতা পোৎ-চৈ পুবা রেলগাড়ি অমা খোঙশাং রেলৱে ষ্টেসন ফাওবা লাক্কনি হায়নসু ওফিসিএলশিংনা ফোংদোরক্লি।

**ৱাকৎ (এল)ঃ** ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতিজ (ফোক্স) অমসুং মসিগা ৱাখল মান্নবা লুপ কয়ানা পুনশিনদ্না শেম্বা ৱার্কিং কমিতিগী লমজিং মখাদা ঙসি মনিপুর তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা রাজ্য অসিগী ইরাং লোয়শিন্নবা দাবী তকশিনদুনা ৱাকৎ মীফম ফমখি। ইম্ফালগী মফম কয়াদসু ৱাকৎ মীফম ফম খি।

বিষ্ণুপুর জিলাদসু লুপ অসিনা শিনদুনা মফম কয়াদা ৱাকৎ মীফম চথখি। জিলা অসিগী নিংথৌখোং, থঙ্গা লৱাই, ৱাংঙু, চাইরেন, নোংমাইখোংনচিংবা মফম কয়াদা ৱাকৎ মীফম পাক শন্না চথখি। মদুদা আমর্দ ফোর্সেস স্পিসিএল পৱারস এক্ট-১৯৫৮ লৌথোকউ, সু খুদক্তা হন্দোকউ, নুপী অমদি অঙাংশিং হাৎপদা চেন্নবা খুদক্তা ফাগদবনি। এন.আর.সি. চৎনহল্লু, কুকি এম.এল.এ. তরা অমদি মখোয়গা চৎমীন্নরিবা লুপশিং টেরোরিষ্টনি হায়না লাউথোকউ হায়না ৱাকৎ মীফম অদুদা দাবী তৌখি।

মহাবালি কুবুই খুল, উরিপোক, কৈশাম্পাৎ, সগাইপ্রৌ মমাং লৈকাই, বাসিখোংনচিংবা ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদসু অঙাং অহুম য়াওনা মীওই তরুকপু তমথিনা হাৎখিবগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম চথখি।

থৌবাল অমদি ককচিংগী জিলাগী মফম কয়াদসু ৱাকৎ মীফম চথখি।

অমরোমদা, ওরিয়েন্টেল লেভেল্লর এসোসিয়েসন (ওলা) ৱাংখৈ-কোংবদগী হৌরগা ৱার্ল্ড ক্লব ফাওবগী মরক্তা লৈবা ক্লব ১২ না শিনদুনা ক্লবশিং অসিনা কোনবা মফমশিংদা ঙসি ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুনা জিরিগী মীওই তরুক হাৎখিবদা চেন্নবা মীওইশিং অথুবা মতমদা দন্দি ফংহনবা, কুকি খুৎলায় পায়বশিংবু টেরোরিষ্টনি হায়না লাউথোকপা, রাজ্য অসিদা হন্দক্তা ইনৌ নৌনা পুলিস ষ্টেসন তরুকনা কোনবা মফমশিংদা অফস্পা থমজিল্লকপা য়ানিংদে, খুদক্তা লৌথোক্কদবনি।

**জিরিবাম (এল) ঃ** জিরিবামদা মীওই তরুক হাৎখিবগী থৌদোকপু ইন্দিপেন্দেন্ট জ্‌দিসিএল ইনক্বারি কম্মিসন অমনা থিগৎহনদুনা চেন্নবশিং মতিক চাবা দন্দি পীনবা তরাগী চৈশুনা দাবী তৌরি।

ইম্ফালদা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা তরাগী চৈশুগী চেয়ারমেন-খাইদেম মণিননা হায়-থৌদোক্তুনা চেন্নরিবা খুৎলায় পায়বা মীওইশিং অদু আইননা য়াদবা কাংবুনি হায়না লাউথোকফম থোকই।

**কোকোমি(এল) ঃ** রাজ্য অসিগী এম.এল.এ. অমদি মন্ত্রিশিংগী য়ুম কৈ থোকহনখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবনি হায়বা মরালদা ফাজিনখিবা মীওইশিং আইনগী ওইবা থবক অমত্তা লৌখৎতনা থাদোক্কদবনি হায়না কোকোমিনা চেরোল অমদা তকশিল্লক্লি।

অমরোমদা, রাজ্য অসিগী মপানদা লৈরিবা এম.এল.এ. অমদি মন্ত্রিশিং অথুবা মতমদা মনিপুরদা হল্লক্তুনা লৈরিবা ইরাং অসি অথুবা মতমদা ৱারোইশিন

পুরকবা মীয়ামগা পুন্না ৱা খন্নবীনবা হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

**পিক (এল) ঃ** কুকি টেরোরিষ্টশিংগী মথক্তা পাক শন্না মিলিটরি ওপরেসন চথ্খদুনা রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা পুরকউ হায়না পিছ্ এন্দ ইন্টিগ্রীতি কমিতি-কিয়ামগৈ (পিক) না সরকারগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

ঙসি কিয়ামগৈ ইবুধৌ খাগেন্বা মচাইবুংঙো লাইবুংদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা কমিতি অসিগী কনভেন্নর-চিঙাখম মেঘাচন্দ্রনা হায়-জিরিবামদা অঙাং অহুম য়াওনা মীওই তরুক তমথিনা হাৎখিবগী থৌওং চথ্খরবসু পধান মন্ত্রিনা তুমিন্না লৈশিনবা য়ানিংদে। মসিগা লোয়ননা কেন্দ্র অমদি রাজ্যগী লুচিংবা কয়ানা জিরিবামগী থৌদোক্তা তুমিন্না লৈশিনবা য়ানিংদে।

**এৱার্ড (এল) ঃ** জাতি অমদি অন্টরজাতিগী ওইবা মনা কয়া ফংখ্রবা সোসিএল এক্তিভিষ্ট-হৈক্রুজম ইবোতোন্বী খুমন, মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা ঙরাং লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৭৫ শুখ্রে।

মহাকা হিংলিঙৈদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা ৱাথোকশিং লোয়শিন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্মী। মহাক পোরমলেন অপুনবগী এক্তিব ফাউন্দর মেম্বর, লিক ওফ ফোর্ট ৱার্ল্ড পিপলস কংলৈপাক্কী সেট্রলর, য়নাইটেদ কমিতি মনিপুরগী কন্সলটেটিব মেম্বর, জে.সি.আই.এল.পি.এসকী কনভেন্নর, ইপাসাগী প্রসিদেন্ট, জষ্টিস কমিতি ওন এঙ্গলো মনিপুরি ৱার-১৮৯১, মার্টিয়াস এন্দ ফ্রিদম ফাইটর ওফ কংলৈপাক্কী লাইফ টাইম চেয়ারমেনগী থৌনচিংবা পুরমখি।

**কন্দোল (এল) ঃ** শকাইরবা জগোইগী গুরু-আর.কে. সিংহাজিৎ, ঙরাং লৈখিদ্রে।

মহাকা লৈখিদবদা আর্ট এন্দ কলচর-মনিপুরনা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

মহাক তোঙান তোঙানবা মনা কয়াসু ফংলবা মীওইনি।

**মীখলঃ** ঝরখন্দ বিধান সভাগী অনিশুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখল ঙসি থাদনখ্রে। ভোট থাবগী চাং চাদা ৬৭.৫৯ য়ৌখি। অরোইবা তাঙ্কক অসিগী ওইনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলা ১২ দা লৈবা কেন্দ্র ৩৮ দা শান্তি ওইনা ভোট থাদনখি।

ভোট থাদবা লোয়খিবগা লোয়ননা নুপী মীরেপ ৫৫ য়াওনা পুন্না মীরেপ ৫২৮ গী মরাইবক চাজম্ নমদুনা থমখ্রে।

তাঙ্কক অমখক্তদা পাঙথোকপা বিধান সভা মীখলগী ভোটসু ঙসি থাদনখ্রে। ভোট থাবগী চাং চাদা নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবদা চাদা ৫৮.২২ গী চাংদা থাদনখি।

মহারাষ্ট্রদা অপুনবা বিধান সভা কেন্দ্র ২৮৮ দা পুন্না মীরেপ লিশিং ৪,১৩৬ না লম্বা থেংনখি। রাজ্য অনি অসিগী ভোট মশিং থা অসিগী ২৩ দা থিগনি।

**রাজনাথঃ** এসোসিয়েসন ওফ সাউথ এসিয়ান নেসনগী ঙাকশেল মন্ত্রিশিংগী ওইবা মীফম য়াওরুনবা কেন্দ্রগী ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহ ঙসি লাউসতা থুংখ্রে।

লৈবাক অদুদা হেক থুংবগা চাইনাগী মহাক্কা ফম মান্নবা-দোং জনগা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে। অসিয়ান লৈবাকশিংগী ঙাকশেলগী মন্ত্রিশিংগী মীফমদা শ্রী রাজনাথনা মালেমগী অমসুং লমদম লমদমগী ওইবা সেক্যুরিতিগী মতাংদসু ৱা ঙাংগনি।

অমরোমদা, ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনাওষ্ট্রেলিয়া, জপান, লাউস, মালেসিয়া, ন্যুজিলেন্দ, ফিলিপিন্স, সাউথ কোরিয়া অমদি আমেরিকাগী মহাক্কী ফম মান্নবশিংগা ৱারী শান্নরবা য়াই হায়রি।

## --হৌজিক শান্নবগী পাউ, ক্ষেত্রিময়ুম প্রেমচান্দগী--

**হোকিঃ** ভারতকী নুপী হোকি টিমনা ৱিমেন্স এসিয়ান চেম্পিয়ন ত্রোফি-২০২৪ গী ৱিন্নর ওইখ্রে।

ঙসি বিহারগী রাজগীর ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ভারত অমদি চাইনাগী ফাইনেল মেটচতা ভারতনা পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীদুনা ত্রোফি অসিগী মপু ওইবা ঙমখিবনি।

**সন্তোসঃ** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শিনবা ৭৮ শুবা সন্তোস ত্রোফিগী ফাইনেল রাউন্দ চংবা ঙমখ্রবা মনিপুরগী ফুটবোল টিম ঙসি ইম্ফালদা থুংলখ্রে।

নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর সন্তোস ত্রোফি-২০২৪-২৫ গী গ্রুপ ষ্টেজতা মনিপুরনা গ্রুপ (দি) গী মেটচ অহুম শান্নবদা অহুম্মক মায় পাক্তুনা গ্রুপ ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

গ্রুপ (দি) গী মনিপুরগী মেটচশিংদা সিক্কিমপু পাঞ্জল ৬-১ দা মায়থিবা পীখি। মিজোরামবু ২-১ দা অমসুং য়ুম্বু ত্রিপুরাবু ২-০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল রাউন্দ চংবা ঙমখিবনি।

**গুজরাটঃ** গুজরাটকী নরিয়াদতা চত্থরিবা ৬৬ শুবা নেসনেল স্কুল গেমস-২০২৪ দা মনিপুরগী নুপামচাশিংগী অন্দর ফোরটিন রিকফ ইভেন্টতা সনাগী তকমান লৌবা ঙমলে।

অন্দর ফোরটিন গালর্সকী ইন্দিয়ান রাউন্দ ওভর ওল অমদি মিটর ২০ গীদা মনিপুরগী সোইব লিংজেলথোইবীনা সনাগী তকমান অমদি শেঞ্জেংগী তকমান ফংবা ঙমখ্রে।

নুপামচাগী মিটর ৬০ গী রিকফ ইভেন্টতা জিয়ুস লৈশাংথেমনা লুপাগী তকমান অমা, মিটর ৫০ গী রিকফতা হিদাংময়ুম বিনিসননা লুপাগী তকমান

অমগসু ফংখি। হৌজিক ফাওবা মনিপুরনা সনাগী অনি, লুপাগী মরি অমসুং শেঞ্জেংগী অমা পুন্না তকমান ৭ ফংবা ঙমলি।

**বেদমিন্টনঃ** চাইনাগী সেনঝেনদা চৎথরিবা চাইনা মাস্তরস-২০২৪ টুর্নামেন্টদা ভারতকী সট্টলর-পি.ভি. শিন্ধু অমসুং মালবিকা বনসোদ প্রি-ক্বাটর ফাইনেল চংখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা পি.ভি. শিন্ধুনা মালেসিয়াগী বুশান্ত ওংবম রুংফনবু ২১-১৭, ২১-১৯ দা মায়থিবা পীখি। মালবিকা বনসোদনা দেনমার্ককী লিনে হোসমার্কপু ২০-২২, ২৩-২১ অমসুং ২১-১৬ তা মায়থিবা পীখি। লোয়ননা লক্সসেননা মালেসিয়াগী লি জি জিয়াবু ২১-১৪, ১৩-২১ অমসুং ২১-১৩ দা মায়থিবা পীখি।